থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# ঐখোয়গী ৱাখল খূৎখন, হোংদোকপা তঙাৱফদরে



ঙরাং (মে ২৩, ২০১৮) কর্নাটকাদা অনৌবা লৈঙাক অমগী লুচিংবা ওইনা ৱাশক লৌখিবা কাঙবুদু চয়োল অমগী মমাঙদা দিল্লিগী পার্লিয়ামেন্ট হাউস মনাক্তা লৈবা মহাত্মা গান্ধিগী মিতমদুগী মমাঙদা ৱাকৎ মীফম ফল্লম্মি। ভারতকী আইন ঙাকপা লোয়শঙ মকোক, সুপ্রিম কোর্ট অসিবু মপু ওইবা লৈঙাক লুচিংবশিংগী য়াকা য়েংলগা চৎপা, অচুম্বা ৱায়েল তৌদবা পাকিস্তানগী আইন লোয়শঙগুম্বনি হায়রম্মি। ষ্টেটতুগী গভর্নরবু মপু নীংবা হুইগা প্রমান তৌরম্মি। ওন্থোকপা, হায়হৈদবা ৱা কয়া হায়দোল্লকম্মি ইরাই লায়না। অচুম্বা চৎপা, অরানবা তৌদবসি মখোয়দগী হেন্বা অতোপ্পা অমা লৈত্রবগুম খনখিবনি কোকসিদা। মখোয়না পেন্না চৈথোকখিবা কাঙবুদুনা ঙসিদি, মখোয়গী মীচঙদা লেপ্পকপসিদদি ৱাখল অদু হোংলেদনা। হৌজিক্তি ওইরে অচুম্বগী পুজারি।

ঙরাং নহালতসু পাউদম অমা তমজখি ৱাথোকসিগী মতাঙদা। চৎলিবা চয়োল অসিদা অনীরকপু তমখ্রমাল্লে। তম্নীংবা ৱাফম কয়া লৈরসু মখা তানা তমজররোই। ঐহাক খঙই- ইদৌবা ঐনসু তল্লবনা পাদৌবা ময়াম অসিনসু পানীংলল্লোই। বি জে পিবু য়াদবা অচৌব-অচৌবা লুচিংবমখৈ লোইন শুনা তিল্লবগুম্বনি। মখোয়নবু অসুম্না লিংজেল মান্ননা পূল্লবা, ২০১৯ মীখলদা মখোয়না করিগী মায় পাক্লোই? মখোয় মশেল মুকখায়নরিঙৈ নাইতোম চৎপা বি জে পিনা মেজোরিতি ওইখিবনি। অদুবু, হুৎ লৈথোরকপদা য়ারক্তা ঙংলগা থোক্লক্লিবা ... *কয়াম কুইনবু পুনগদবনোদা! মাঙলমচত্তা কয়ারক য়েংখ্রবনি? ... হায়বা অসি তারগদি, হেন্নদুম পুক্লিং লাংতকই... ২০১৯ য়ৌনবু চৎকদ্রা !*

ইহে তম্নীংদেদি হায়রগা তম্নীংদবা পাউ অদু তমদুনা অমুক লৈরমাল্লে, ঙাকপিগনি। অহৌবদা পঞ্চখিবা, অচুম্বগী শক্তমনি, অহিংসাগী শায়োলনি হায়নবা *গান্ধি*গী মিতম মমাঙদা ওইদ-পাদ তৌবা, হুরান্বা কাঙবুনা ৱাকৎপকুম্বই থবক অমা হেক হেক চত্থরকপসিনি ঐবু খোঙদৌ থীৎহল্লিবা, ব্লদ প্রেসর ৱাংহল্লিবা। গান্ধি মশানা হায়জরম্লবনি, হিংলিঙৈদা ইরম্লবনি ... *অহিংশানা পান্থৈ অমা ওইদুনা অচুম্বা ফংনবা হোৎনবগী চাংয়েংসিদা ঐহাক তশেংনা থাজরুই*... অদুবু হৌজিক্তি ঐ পুক্লিংসিদা চিংনরক্লে.. মরম অসিনা, ৱাফমসিমদি ঐ থম্মোয় শেংনা হায়নিংই - ঐনা শিরবা মতুংদা ঐগী মোংফম নুঙবীদুদা ইগদবা খ্বাইদগী চুনবা ৱাহৈ অদুদি - *মহাক হোৎনজরম্মি, অদুবু মায় পাকখিদে* হায়বা পরেং অসিনি...।

চুম্মি, অরোইবদা মহাক খঙজখি - মালেমসিদা মীওইবা কৌবা জীবসিনা হেক লাকপা নুমিত্তগী হিংদুনা লৈরক্লিবসি মীহাৎ-মীপুন-হিংসাগী মতেংতননি। অহিংসাগী মরমদা ৱারী শাবা হায়বসি কান্নদবা ৱাথীনি। অহিংসাগী মরমদাঙাঙলিবা, মসিবু পান্থৈ ওইনা শীজিন্নরিবা মহাক্তুমক মীহাৎপগী ৱাখল চেনবা মীফত্তনি। ৱাফম অসি ঐনা হায়বা নত্তে, কন্ট্রোভর্সিয়েল গুরু *ওসো রজনীস*না হায়রম্বনি। মহাক্না হায়, গান্ধিনা অহিংসাবু লান্না শীজিন্নে। অহিংসা হায়বা ৱাহৈ অসি ঙসিগী তাইবং অসিদা পোপুলার ওইহল্লন্লিবসিদি মহাত্মা গান্ধিগী মপান্দগীনি। মরমদি, অহিংসা, নন-ভাইওলেন্স হায়বসি মহাক্না করিগুম্বা অমা ফংননবা খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরকখি। বুদ্ধ, মহাবীর অমসি জিসসসু অহিংসাবু পামজনা থাগোন্নখি। অদুবু, করিগুম্বা অমা ফংনবা নিংঙাই তৌনবগী পান্থৈ ওইনদি শীজিন্নখিদে। নুংশিবা অমা ফংনবা থাঙ অমদি নোংমৈনা পান্থৈ ওইনা শীজিন্নরক্লবা। মদুবু নুংশিবা কৌগদ্রা ? শকহেনবী কনাগুম্বী অমগী থোঙ্গান্দা হীপ্লগা ... *নঙবু ঐগী ওইবা ফংদ্রবা... নঙনা ঐঙোন্দা লৈয়ু য়াদ্রবা, ঐহাক চরা হেন্দুনা শিগনি...* হায়না সত্যগ্রহ তৌরুবা ... মদুবু অচুম্বা পান্থৈনি হায়রক্কদবা কনা লৈগনি? *শিনীংঙগা শিজখো* হায়রক্কদবী চনুরা ঙাক্তনি। *ঐনা হায়বা ৱা নঙনা তাবীদবগী ঐহাক ইশানা ইশাবু হাত্তোকচরিবনি, অশেঙবা মীহাৎপদু নহাক্কি* হায়বা গিল্টিফিলিং অদু ঙসিগী মীরোলদদি পোক্লরোই।

পুনেদা অসিগুম্বা থৌদোক অমা থোকখি। মতমদুদা ভীম রাও অমবেদকর, ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন কন্না ইরি। মহাক্না পামখি-হন্থবা থাক্কী মী, হরিজনশিংগীদমক তোঙানবা মীখল অমা পাঙথোক্নবগী চৎনপথাপ অমা সংবিধানদা হাপচিনবা মহাক্না হায় ... *লাইশঙশিংদা চঙদুনা হিন্দুশিংগা লাই খুরুম্মীন্নবসু য়াদবা, পুন্না চামিন-থকমিন্নবসু য়াদবা মখোয়গী গুহাদগী ঈশিং শোকপাফাও য়াদবা, শোক্না শম্না য়াদবা মখোয়গীদমক্তি লৈঙাক পথাপ অসিদসু তোঙানবা মফম শেমগদবনি...।*

গান্ধিনা হায়, *হরিজনসু হিন্দুনি, হিন্দু ওইনা লৈগদবনি... মখোয়বু হিন্দুদগী তোখায়হল্লবা, ঐহাক ইথন্তা চরা হেন্দুনা শিগনি..।* য়ানবা পুরকপা ঙমখিদে। গান্ধি চরা হেল্লকখি। নুমিৎ কয়ানিগী মতুংদা গান্ধিগী হকচাং শোকচিল্লকপদগী অমবেদকরগী ফিরেপ হন্দোকখি।

খন্থবীয়ু-নন ভাইওলেন্ত ওইখিবদু কনানো? গান্ধি? নত্রগা অমবেদকর? ঐখোয়গী ৱাখল খূৎখন হোংদোকপা মথৌ তারক্লে।

লৌশিং পুক্কৈ

# মীওইবনা ঈ পীবগী তঙাইফদবা



মীওইবা অমনা অতোপ্পা মীওইবা অমদা তম্বা য়াবা খ্বাইদগী মমল য়াম্বা খুদোলদি ঈ পীবা হায়বসিনি। ঈ পীবনা কনাগুম্বা মীওই কয়াগী পুন্সি কনবা ঙমগদৌরিবনি।মতম চানা ঈ ফংহনবা ঙমদবদগী মীওই কয়া খাঙুথক্তা পুন্সি পীখম্নরি। মেদিকেল সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিনা খম থেংনা চাউখৎলবসু ঈ হায়বসি তোখায়না শুংবা ঙমদ্রিবা পোৎশক অমা ওইবনিনা ঈগী মথৌ তারকপা মতমদা কনাগুম্বা মীওই অমদগী লৌবা মথৌ তারি।

কনাগুম্বা মীওই অমনা পীরকপা ঈ অদু অকক্লবা মতম অমগী মনুংদা শীজিন্নহৌদ্রবদি অরেম্বদা মাঙদুনা তোকই। মরম অদুনা পীবগী থৌওং অসি চাং নাইনা অদুম্মক চত্থবগী তঙাইফদবা লৈ।

মীওইবনা ঈ দোনেট তৌবগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা মরম কয়ামরুম লৈ। মরুপ মপাং নৎত্রগা মরী-মতানা হায়জরকপদগী ঈ পীবা য়াওই। তুংগী পুন্সিদা ইমুংগী মীওই অমা ঈ মথৌ তারকপা য়াই খনবদগী ঈ পীবসু য়াওই। অমরোমদা, কনাগুম্বা খরনা অতোপ্পা মীগী মতেং পাংনিংবদগী থম্মোয় শেংনা ঈ পীবসু য়াওদবা নত্তে।

ইন্দিয়াগী ওইনা নুমীৎ খুদিংগী অনা-লায়েংবা অমসুং তোঙান তোঙানবা ওপরেসন তৌবদা চাউরাক্লা ঈ য়ুনিট ৪৪,০০০ রোম মথৌ তারি। কনাগুম্বা মীওই অমনা ঈ পীরকপা তারবসু নুমীৎ ৪২ নিদগী হেন্না থম্বা য়াদে। নুমীৎ ৪২ নি হেনখ্রবদি ঈ অদু অরেম্বদা মাঙদুনা তোকই। মরম অদুনা ঈ পীবগী থৌওং অসি লেপ্তুনা অমসুং চাং নাইনা চত্থবা য়াম্নমক তঙাইফদে।



চহী অমগী মনুংদা ঈ পীবগী অকক্লবা মতম লৈতে। অদুবু নিংথমথাদদি মীওই অয়াম্বা লোক থুংবা অমসুং হকচাং ঙম্নদবা মরম্না অয়াম্বা মতমদা ঈ পীনদে।

কনাগুম্বা মীওই অমনা পীরকপা ঈ অদু টেষ্টিং লেবোরেটরিদা চাংয়েং তৌদুনা ঐচ আই ভি, হেপাটাইটিস বি, হেপাটাইটিস সী অমসুং সিফিলিসচিংবা মহীক য়াওবরা হায়না চেক তৌখি। করিগুম্বা মহীক য়াওরম্বা থোক্লবদি ঈ অদু শীজিন্নদে অমসুং ঈ পীরক্লিবা মীওই অদুদা পাউ য়ৌহন্দুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা খঙহল্লি। করিগুম্বা মহীক য়াওরমদ্রগনা রেফ্রিজরেটরদা হাপচিন্দুনা থম্মী। মতৌ অসুম্না দোনেট তৌরকপা ঈ শিং নুমীৎ ৪২ নি ফাওবা রেফ্রিজরেটরদা থম্বা য়াই। মদুদগী হেনখ্রবদি শীজিন্নবা য়াদে।

ঈ পীবা অমসুং কাপ্পগী থৌওং চত্থবদা য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই। খজিক্তং চেকশিলহৌদবদা তমথিবা লায়না কয়া লৌনরকপা য়াই। ইন্দিয়াদা হৌখিবা থা ১৭ কী মনুংদা চাংয়েং তৌদনা ঈ কাপলুবদগী মীওই ২,২৩৪ হ্যুমেন ইম্যুনোদিফিসিয়ন্সি ভাইরস (ঐচ আই ভি) পোজিটিব ওইরকপা থেংনখি।

'হিন্দু' পাউচেদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না ঐচ আই ভি পোজিটিব ওইবগী কেস উত্তর প্রদেশতা খ্বাইদগী চাং ৱাংখি হায়রি। ষ্টেট অসিদা চাংয়েং তৌদবা ঈ কাপ্লুবদগী মীওই ৩৬১ ঐচ আই ভি পোজিটিব ওইরকখি। গুজরাত, মহারাষ্ট্রা অমদি দিল্লিদসু মথংশিংনা অসিগুম্বা মখলগী থৌদোক ২৯২, ২৭৬ অমসুং ২৬৪ থোকখি। চেতন কোথারি কৌবা মীওই অমনা রাইট টু ইনফোর্মেসন এক্টকী খুদোংচাবা লৌরগা মরী লৈনবশিংদা হংবদা ৱাফম অসি খঙলকপনি। মণিপুরগী ওইনসু লাইবক থীবা থৌদোক অসি থোক্লল্লোই হায়নিংঙাই লৈতে।

চেতন কোথারিনা আর টি আই থাবদা নেসনল এইদস কন্ট্রোল ওর্গনাইজেসন (নাকো) না মতিকচাবা পাউখুম পীরকখিবগুম মণিপুরগী ওইনসু কনাগুম্বা মীওই অমনা আর টি আই থাবা থোক্লবদি পাউখুম অমা শোয়দনা ফংগনি খল্লি।

নাকোনা কুমজা ২০১৫ দা ফোঙলকখিবা এন্যুয়েল রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না কুমজা ২০১১ ফাওবদা ঐচ আই ভি পোজিটিব ওইরবা মীওইর লাখ ২০.৯ ইন্দিয়াদা লৈরে হায়রি।

# ৱেটিং সেদ থুগায়বগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম চত্থখ্রে




ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস): মিনিষ্ট্রি ওফ ৱার্টর রিসোসেস গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরনা তুরেল খোঙনুং তেংথোকপদা শোক্তবা ইম্ফাল ইষ্টকী শীংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকাইগী অৱাং থংবা শীংজমৈ থোঙখোং মনাক্তা নৌনা শাবা ৱেটিং সেট অমা থুগায়রম্বদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি লৈকাই ক্লব অহুমগী মেম্বরশিংনা ৱাকৎ মীফম চত্থখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়ারিবা জিল্লা পরিষদ মেম্বর সেরাম নেকেননা ফোঙদোরকপদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নারনা হৌখিবা জানুৱারি ২০ দা তুরেল খোঙনুং তেংবগী থোকখিবা ওর্দরদা শোক্তবা ৱেটিং সেদ অমা মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না মহাক্না শীংজমৈ থোঙখোং ময়াদা হৌখিবা থাসিগী ২০ দা শাখি। নোংজুনুংশাগী মতমদা হায়রিবা ৱেটিং সেদ অসিদা মহৈরোইশিংনা গাড়ি ঙাইদুনা লৈবা মফমনি। মসিদা নত্তনা অহল ওইরবশিংনা কৈথেল কারকপদা গাড়ি খামদুনা ঙাইহাক পোত্থাবা মফম ওইবনি। অদুবু খঙহৌদনা অইবা চে অমত্তসু পীদনা নোটিসসু থোক্তনা শীংজমৈ পুলিসকী টীম অমনা খঙহৌদনা থাসিগী ২১ দা থুগায়খিবসি মীয়াম্না য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

সাউথ ইষ্ট য়ুর্থ ওগনাইজেসন শীংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকাইগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম রাজেননা ফোঙদোরকপদা ৱার্টর রিসোসেস দিপার্টমেন্টনা থোকপা ওর্দরগী মনুংসু চন্দবা তুরেলগী খোঙনুংসু নত্তবা শীংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকাই অৱাং থংবা থোঙখোংদা শাবা ৱেটিং সেদ অমবু মরম চাদনা অহিংদা হেক্তা থুগাইরম্বা অসি য়ানিংদে। থৌদোক অসিগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা শীংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকাইগী সাউথ ইষ্ট য়ুর্থ ওগনাইজেসন, য়ুনাইটেদ য়ুর্থ ওগনাইজেসন অমদি এথেলেটিক স্পোর্টস এসোসিএসন মেম্বরশিংনা ঙসি অয়ুক পুং ১০ দগীনা নুংথিলগী পুং ২ ফাওবা ৱাকৎ মীফম ফমখি হায়রি।

# অশিবা হকচাং অমা লৈরক্লে

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খুমন লম্পাক্কী ইন্টর ষ্টেট বস টার্মিন্সে (আই এস বি টি) মনাক্তা নুপা ১ শিদুনা লৈরক্লে। লৈখিদ্রবা নুপা অদু মশক মমিং খঙবা ঙমদ্রি। ঙসি অয়ুক পুং ৬.৩৫ রোম তাবা মতমদা আই এস টি বিগী ফাষ্ট ফ্লোরদা নুপা অমা শিদুনা লৈরম্বদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট এস পি কন্ট্রোল রুম মাই ৩০দা পাউ পীখি। মতুংদা ইম্ফাল পুলিসকী টীম অমা লাক্লগা অশিবা হকচাং অদু লৌখৎলগা মশক খঙদোক্লবা রিমসকী মোর্গতা থমখ্রে।

অশিবা হকচাং অদু চহী ৭৫ রোমগী লেংগা মাল্লি। মশা নোই, কুচুনা কুলৈ কুচুনি, মহাক ফিট ৫.৭ লোম ৱাংই। মহাক্কী মশম অদু পোক অয়াম্বা ঙৌরে। মমাই পাক্তক তৌই। মহাক মশাদা অমুবা টি সার্ট অমা ব্রাউন মচুগী লোং পেন্ট অমা শেৎলি।

অশিবা হকচাং অদু থসিগী ২৯ ফাওবগী মনুংদা মশক খঙবা ঙমদ্রগদি পোষ্ট মোর্টেম তৌরগনি হায়না ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসার ইন চার্জনা হায়রি।

অমরোমদা খুমন লম্পাক্কী আই এস বি টিদা ঙসি অয়ুক মীয়াই চল্লবা মীওইগী অশিবা হকচাং অমা লৈরম্বা অদু নিংঙোমথোং পিবিয়া পন্দিট লৈকাইদগী নোংমৈকাপ্পম নবকুমার (৭৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা দাইনো ওইরম্বা য়াই হায়না থাজন্নরি। চপ চাবদি খঙবা ঙমদ্রি। মহাক পুলিসনা ফোঙদো-রকপগী মতুং ইন্নদি নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী খুমন লম্পাক্কী ইন্টর ষ্টেট বস টার্মিনেস এরিয়াদা চৎথোক চৎশিন তৌবা থেংনৈ হায়রি। মহাক ময়ুমদা হন্দবা মীওইসু মাল্লি হায়রি।

# বোমগী মচাক য়াওনা মীওই অমা ফারে

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ইষ্ট পুলিস কম্মান্দো অমদি ৬ শুবা অসাম রাইফলস য়াওবা কম্বাইন টীম অমনা নহান নুথিল পুং ৪ দগীনা পুং ৫.৩০ ফাওবা মন্ত্রি পুখ্রিগী লমলোংগৈ এরিয়াদা থিবা হুম্বা চত্থবদা নুপা অমা নোংমৈ মরু, বোম মচাকশিং য়াওনা ফারে হায়রি। ইম্ফাল ইষ্টকী এদিসনেল এস পি (ওফস) এম কুমারজিৎকী মীয়েং মখাদা কম্মান্দোগী দি এস পি রোবিনসন খম্নাম, দি এস পি ওপরেসন আর কে শকলেম্বা অমদি ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দোগী ওসি বি লুমথাং ৱাইফৈ কমান্দ মখাদা ওপরেসন চত্থখিবনি হায়রি। ফারবা মীওই অদুগী মমিং চিথুং (৪৮) মপুরোইবা হেনম্প চিথুং কৌই। মহাক উখুল দিষ্ট্রিক্টকী ঙাপ্রুম খুলদগী লাক্লগা হৌজিক্লা মন্ত্রি পুখ্রি লমলোংগৈদা লৈবনি হায়রি। মঙোন্দগী ফংবা পোৎলমশিং অদুদি জিলেটিন রোদ ৪, কোরদাইট ৱায়র ৪, দিতোনেটর ১৩, এ কে ৪৭ মেগজিন ১, নাইন এম এম মেগজিন ২, কাপ্পা য়ারিবা এ কেগী মরু ২৯, নাইন এম এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ৭, মোবাইল হেন্দ সেট ৭ অমদি ম্যান্ম্যারগী শেল (কেয়ট) ৪১,২০০ রোম ফংলে হায়রি।

# এস পি কেপস্যুল ২৮৪গা কোন্নবা নুপা অমা ফারে

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ইষ্ট নার্কোটিক সেল অমদি নাকোর্টিক এন্দ এফিয়রস বোর্দর পুলিস অমদি ইম্ফাল ইষ্ট পুলিস য়াওবা কম্বাইন টীম অমনা নুপা অমা এস পি কেপস্যুল ২৮৪ কোন্না ঙসি অয়ুক পুং ১১.১৫ রোম তাবা মতমদা পোরোমপাৎকী জেনিমস ক্রোশিং ময়াদগী ফারে হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট পুলিসকী এস দি পি ও (এম পি এস) শঙ্করজিৎ লোইতোংবম, ইম্ফাল ইষ্ট নাকোর্টিক সেলগী পুলিস ইন্সপেক্টর কে ঐচ দেবকুমার, নাকোর্টিক এফিয়র এস আই এম সবিরনা লুচিংবা টীম অমনা ফাবনি। ফারবা নুপা অদুগী মমিংনা এম দি ফিরোজ খান (৩৫) অপোকপা এম দি অরফল কৌই। মহাক খাবৈশোইগী ৭ শুবা এম আর মনাক্তা লৈবনি। মঙোন্দগী এস পি কেপস্যুল ২৮৪ ফংবা ঙম্লে। হায়রিবা গুলিশিং অদুগী মমলনা লুপা লিশিং ৯ নি হায়রি। ফারবা মীওই অদু মখা তানা ৱাহং পাউহং চত্থনবা পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসন্দা শিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী নার্কোটিক এন্দ এফিয়ারস ওফ বোর্দর পুলিস ষ্টেসনগী টীম অমনা ঙসি নেসনেল হায়ৱে নম্বর ২ সেনাপতিগী ত্রিনিতি হোষ্টেল মনাক্তগী দ্রগ লল্লোনবা মীওই অনী পোৎকা কোন্না ফারে হায়রি। মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী পি আর ও দল্লিয়ু বাসু (এম পি এস)না থোকপা চেরোল অমনা হায়, কানি কে জি ৪গা কোন্না ফারবা মীওই অদুদি মাও কারোং সিংদাম নেপালি খুলদগী সুভাস গুরুং (৩৬) অপোকপা নার বাহদুর অমদি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ওকলৌ খুন্নৌদগী পরসুরম গুরুং (৫৪) অপোকপা রামপ্রসাদ গুরুং কৌই। মঙোন্দগী কানি কে জি ৪ কোন্না ফারে হায়রি। ফারবা কানি অদুগী ভেলুনা লোকেল মার্কেটতা লাখ ৫,৬০,০০০ রোম ওইগনি হায়রি। ফারবা মীওইশিং অদু মখা তানা ৱাহং পাউহং চত্থনবা নার্ব পুলিস ষ্টেসন্দা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা নুমিৎসিমক্তদা নার্কোটিক এন্দ এফিয়ারস ওফ বোর্দর পুলিস নুপী পুলিস য়াওবা টীম অমনা মন্ত্রি পুখ্রি এরিয়াদা থিবা হুম্বা চত্থবদা দ্রগ লল্লোনবা নুপা অমা ফারে হায়রি। ফারবা নুপা অদুগী মমিংনা রৈমিচোন তাংখুল (৩৭) মপুরোইবা শঙম তাঙখুল কৌই। মহাক উখুল দিষ্ট্রিক্টকী হাং খুলদগী লাক্লগা হৌজিক্লা লাইফম খুন্নৌ ময়াই লৈকাইদা লৈবনি হায়রি। মঙোন্দগী নম্বর ফোর হেরোইন গ্রাম ১ ফারে হায়রি।

# 'থবক থিবা ওইবগী মহুৎ থবক পীবা ঙম্নবা হোৎনসি'

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস): থবক থিবা মী ওইবগী মহুৎ থবক পীবা ঙম্বা মীওই ওইনবা হোৎনসি হায়না মণিপুর ইন্দিষ্ট্রিএল দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন (মনিদকো)গী মেনেজিং দিরেক্টর এম লুইখমনা ঙসি পঞ্চায়ট ভবন পোরোম্পাৎতা পাঙথোকপা এৱেরেনেস প্রোগ্রামদা ফোঙদোকখ্রে।

মনিদকোনা শীন্দুনা নেসনল সেদ্যুল্ড কাষ্ট সেদ্যুল্ড ট্রাইব হব হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা এৱেরেনেস প্রোগ্রাম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এম লুইখমনা হায়খি, মমাং চহীদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ষ্টেন্দ অপ ইন্দিয়া হৌদোকখি। ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিংদা লৈঙাক্লা করি মতেং পীবা য়াবগে হায়বগী মতাংদা ষ্টেট-ষ্টেটশিংদা প্রোগ্রাম অসি পায়খৎলি। হন্দক্কী অসিনা খরা শোত্থরবশিংবু মান্নবা থাক্তা পুরক্লবা হোৎনবনি। ইনি দয়াদা ইনকম য়াম্না চাওনা লাকপা ষ্টেটশিংগী মনুংদা সিক্কিমসু অমনি। সিক্কিমদা টুরিজম সেক্টরদা ইনকম য়াম্না লাক্লি। মথংদা কেরলা, কর্নাটকা, অরুনাচল প্রদেশনচিংবা পনবা য়াই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা মেনিদকোগী জেনরেল মেনেজর এ প্রিয়োনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরদা সেদ্যুল্ড কাষ্ট সেদ্যুল্ড ট্রাইব হব অমা লিংখৎলকপসি এস সী, এস টি ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিং পূক্লিং থৌগৎপনি। সেদ্যুল্ড কাষ্ট নৎত্রগা সেদ্যুল্ড ট্রাইবনা লিংখৎপা ইন্টরপ্রাইজকী চাং নেম্বা অমদি মখোয়গী প্রদক্তনসু য়াম্না লৈতবা অমদি য়োনফম খঙদবশিং অসিদা মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎপদা ইনকরেজ তৌনবা প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি। স্কিল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামসু পায়খৎকনি। সেদ্যুল্ড ট্রাইব অমদি সেদ্যুল্ড কাষ্টনা পুথোকপা পোৎলমশিংগী বায়র সেল্লর মীটসু পাঙথোক্কনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক লমদমদা নোং কন্না চুবা য়াবগী মমি লৈরে

গুৱাহাতি, মে ২৩ (এজেন্সী): হৌখিবা নুমীৎ খরনি অসিদা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা নোং মরাং কায়না তাখিদবগা লোয়নননা মফম খরদা ময়াই ওইরপ অমদি অয়াম্বনা পানা চুখি।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদসু নোং-চীংগী ফীভম মান্নখি। নিংথৌকাবা নুমীৎকী অয়ুক পুং ৮.৩০ দগী পারগা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা চেরাপুঞ্জিদা নোং এম এম ২৭, কোহিমাদা এম এম ১৭, কাইলাশাহারদা এম এম ১৮, সিলচরদা এম এম ৪ অমসুং গুৱাহাতিদা এম এস ২ ফাওবা চুখি।

স্কাইমেট ৱেদরগী মতুংইন্না, নুংশিৎশিং নোংপোক অমসুং খা নোংপোক মায়কৈদগী শিৎলকখি অমসুং নোং-চীংগী ফীভমদা থোইদোক্লা শিংথানিংঙাই ওইবা অমত্তা উখিদে। অসুম্না মণিপুর, নাগালেন্দ, মিজোরাম, মেঘলয়া, ত্রিপুরা, অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশতা নোংজুগী চাং হন্থখি। অদুবু, হৌজিক্তি অসামগী নোংপোকথংবা শরুক্তা নোংলৈ-নুংশিৎকী ফীভম অমা শেমগৎপা হৌখ্রে। মসিগী মথক্তা বে ওফ বেঙ্গোলদগী নোং পুবা নুংশিৎশিং শিৎচিল্লক্তুনা লাক্লিবা নুমীৎ খরনি অসিদা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা নোং কন্না চুরকপা য়াই হায়রি।

ৱেদরমেনশিংগী মতুংইন্না, মে ২৫ মুক্কী মতমদা সেন্ট্রেল বে ওফ বেঙ্গোলদা লো প্রেসর এরিয়া অমা শেমগৎলকপা য়াবগী ফীভম লৈরে। মসিগী ৱেদর সিষ্টেম অসি বাংলাদেশ নৎত্রগা গঙ্গেটিক ৱেষ্ট বেঙ্গোল্লোমদা তপ্না তপ্না চঙশিনখিবা য়াই। অসুম্না অহানবদা মে ২৭ অমসুং মে ২৮ গী মরক্তা মণিপুর, মিজোরাম অমসুং ত্রিপুরাদা নোং কন্না চুরবা য়াই হায়না পানরি।

# ইমপ্লোয়িশিংনা ৱাকৎ মীফম চত্থখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস) : জে এ সি, এমটুক এন্দ এমজিওনা তরেৎশুবা সেন্ট্রেল পে কম্মিসনগী দিমান্দগা মরী লৈননা থবক লেপ্পগী খোঙজং চত্থরকপা ঙসিগা থানা নুমিৎ ৬২ রোম শুরে। জে এ সিগী খোঙজং শৌগৎতুনা ঙরাং মণিপুর টুরিজম দিপার্টমেন্টকী ইমপ্লোয়িশিংনা শিন্থা লেপ্তুনা ৱাকৎ মীফম চত্থখ্রে।

ঙরাং অয়ুক পুং ১০.৩০ দগী নুংথিলগী পুং ৪ ফাওবা চত্থখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়ারিবা মোইরাংথেম বিমোনচান্দনা ফোঙদোরকপদা মণিপুর লৈঙাক্কী অৱাংবা থক্তা লৈরিবা ইমপ্লোয়িশিং তরেৎশুবা সেন্ট্রেল পে কম্মিসন হান্না চৎনখ্রে। অদুগা মখা থাবা ইমপ্লোয়িশিংনা ঙসি ফাওবা পীদনা লৈরি। তরেৎশুবা সেন্ট্রেল পে হেক হেনগৎখিবদগী পোৎ-চৈগী মমলসু য়াম্না ৱাংখ্রে।

দুকান্দগী পোৎ-চৈ লৈরুবা মতমদদি মমল চপ মান্নে। মরম অদুনা অথুবা মতমদা লৈঙাক্না ইমপ্লোয়িশিংদা তরেৎশুবা সেন্ট্রেল পে কম্মিসন পীবীনবা লৈঙাক্কী পুক্লিং চিংশিল্লক্লি।

জে এ সি, এমটুক অমদি এমজিওনা চঙশিল্লকপা খোঙজং মণিপুর টুরিষ্ট দিপার্টমেন্টকী ইমপ্লোয়িশিংনা শৌগৎকনি। য়ুমথংনবা ষ্টেটকী ইমপ্লোয়িশিংনা তরেৎশুবা সেন্ট্রেল পে পীখ্রবা মণিপুরদি ইমপ্লোয়িশিংনা পীবীদবা অসি লাইবক থিবনি। জে এ সি, এমটুক অমদি এমজিওগী লুচিংবশিংবু মণিপুর লৈঙাক্না ফানবা ৱারেন্ট ইসু তৌবা য়ানিংদে, অথুবা মতমদা ৱারেন্ট ইসু লৌথোকউ অমদি ইমপ্লোয়িশিংদা তরেৎশুবা সেন্ট্রেল পে পীথোকপীয়ু হায়রি।

অমরোমদা পোৎ-চৈগী মমলনা নোংম নোংমগী ৱাংখৎলকপগা তলব মচা চাবা ইমপ্লোয়িশিংগীদি খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। মরম অদুনা অথুবা মতমদা তরেৎশুবা সেন্ট্রেল পে অসি পীবিয়ু হায়রি।



HL-B/4636/20/5-17/6(Alt.)